# কুমজা ১৯৬৭ অসিদা ঐহাক ষ্ট্রোঙগেষ্টমেন ওফ মণিপুর হায়বা টাইটল অদুসু লৌজবা ঙমজরকখি



লৌরেম্বম দয়ামোয়
ভেটরান প্লেয়র

(ঙরাংগী মখা)

থাঙ-তাগী ওজাশিং অদুনা তন্বীরকখিবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী খোঙগী ষ্টেপ্পিংশিং, শাথেন, খোঙহায়, ফিরেপ ওন্থোক্লা কুপশ্নবজাৎনি। অদুদগী শ্বরগী শাজেনশিং, অঙকপা ঙাক্তনি। মীওইবা ঐখোয়না হিংলিবসি শ্বর হোন্দোকখিবা নিংশা শ্বর অসিনা হোজ্ঞিন অসিনা লেপ্লিবনি। হোন্দোকখিবা নিংশা শ্বর অসিনা হোঞ্জিনলক্ত্রবদি অশিবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অদুনা মীওইবা ঐখোয়না হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরিবা শ্বর অসিসু নোংমগী মনুংদা মীকুপ খরদি মশক খঙনা শাজেন তৌদুনা শান্নগদবনি। ঐখোয়না ইশাবু মশক খঙনা থল্লবদি পুন্সি নুংশাংবা হায়বদু ওই হায়দুনসু তাকপীরকখি।

অমরোমদা, ঐখোয়বু বোদি বিল্ডিংগী, ৱেথ লিফটিংগী টেক্নিক তাকপী তন্বীরকখিবা য়াংলেমগী তা বিরমঙ্গোলসি মতম অমদা মীয়াম্না মশক খঙনবীখিবা হকচাং শাজেলগী ওজা শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী মখাদা ট্রেনিং তৌরকখিবা মীশক্নি। ঐখোয়সু তা বিরমঙ্গোলনা পুশিনবীদুনা ওজা ইন্দ্রমনিসিসু মতম খরা থেংনজহৌই। মণিপুরগী নহারোল ময়ামসি মশা-মউ ফবা ওইহন্নিংদুনা শগোলশেম ওজা ইন্দ্রমনিনা মহাক্কী খুয়াথোংদা লৈবা ময়ুমদা হোৎনবীরম্বা ময়ামদুসু য়াম্না ফবা খোঙথাংনি হায়জনিংই। ট্রেনিং তৌজরকপসিদা, য়াম্না নুংঙাইরকখিবা মতাংসি কুমজা ১৯৬৭তা ৱেষ্ট লিফটিংদা ফর্স্ত তাবগা লোয়নন্না ষ্ট্রোংগেষ্টমেন ওফ মণিপুরগী মীংথোল ফঙজখিবদুনি। ময়ামদি মদুগী চহীদু ঐনা তাগনি হায়বা থাজবা নত্তে। মতমদুদা অচৌবা কপ অমা মনা ওইনা পীবিরকখি।

অদুগা, বোদি বিল্ডিংগী মতাংসিদা ঐখোয় মৈতে মচাশিংসি ইন্টর্নেসনল য়ৌনা শান্নবা য়াগদ্রা হায়বসিমসু ঐখোয় য়াম্না নৈনজরকখি। লাইরিকসু মথং মথং চেনবদগী বোদি বিল্ডিংগী মতাংদা খরদি খঙজরকখি। মিষ্টর য়ুনিভর্সকা য়ৌরক্লবদি খরা হেন্না কুপথনা খঙবা অমসু মথৌ তাই। তশেংনা হায়জরবদা 'মিষ্টর য়ুনিভর্স' কী কন্টেষ্ট য়াওগে হায়রবদি ফুট তরুক্কী মথক্তা ৱাংগদবনি। খুবোম, পান্বোম, খৌরি অসিসু ইঞ্চি মখায় অমদগী হেন্না খেন্নবা য়াদে। খেন্নবসি ইঞ্চি অমা হেক হেনখিবদা মদু দিসফিগরনি। অমরোমদা, খুবোমগী মফম অসিদি শাজেন ৱাবা মফমনি। খরা মুক্তুনা লৈথোক লৈশিন তৌরগা মশল খরা কাহনবদি য়াগনি। অদুনা মিষ্টর য়ুনিভর্সকীদমক হোৎনগে হায়রগদি ট্রেনিং কুপ্পা তৌবগা লোয়নন্না ইশাগী অৱাংবসি ফুট তরুক্তগী হেন্দ্রবদি শান্নবদা থোইনা কান্নরোই। ঐখোয়না লাইরিক্তা থেংনজরকপদা, মখোয়না পীরিবা রূল ময়ামদু শোক্ত্রবদি, এপ্লাই তৌবসু য়ারোই হায়না পল্লি। মদুগা লোয়নন্না মিষ্টর অমেরিকাগী টাইটল লৌবা ঙমদবা বোদি বিল্ডিংশিংদি 'মিষ্টর য়ুনিভর্স' তা চঙবা ৱাগনি হায়বনচিংবসু থেংনজরকখি। অয়াম্বা মতমদা মিষ্টর য়ুনিভর্স লৌরিবসি অঙৌবা কাংবুনা ঙাক্তসু ওইগল্লি। নেগ্রোগুম্বা অমুবা কাংলুপ্তা য়াম্না ফজরবদি 'মিষ্টর মশলমেন' গুম্বা টাইটল পীবসিসু থেংনজরকখি। ঐখোয়না কন্না শান্নজরিঙৈদা ঐনা খ্বাইদগী পামজরকখিবা বোদি বিল্ডর হায়জরগদি 'মিষ্টর ষ্টেপৱিচ' হায়বসিনি। মশা তনাপ তনাপ্পা ফুট তরুক্কা ইঞ্চি অনী ৱাংবা মীওইসি মথবাক্কা ইঞ্চি ৪৮ কোল্লি। মপান্বোমনা ইঞ্চি ১৮, খৌরি অমসুং খুবোমসু ইঞ্চি ১৮/১৮ ওইখিবা মীশক্নি। মশক মতৌ ফজবা মিষ্টর য়ুনিভর্স তাখিবা মীওইসি মতম ফনা শাংনা মাগী রেকোর্দসি অতোপ্পনা পাক থুগায়বা ঙমখিদে। মাগী বোদি ষ্ট্রকচরসি হেক য়েংবদা নুংঙাইবা ওইদুনা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা বোদি বিল্ডর অমসু মহাকসি ওইখি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা মিষ্টর তাখিবদা, খ্বাইদগী ফজখিবা মীওইশিংনা চিঙামখাদা লৈবা ইরোমগী তামো লেখেন্দ্রোনি। মহাক্না মিষ্টর কন্টেষ্ট থোরকপদা ফজবসিসু ঙসি ফাওবা মীয়াম্না ৱারিনরি। ইরোমগী তামো লেখেন্দ্রো হোয়সি তা মাইপাকহোয়গা মমাংদা মিষ্টর টাইটল লৌরম্বা সিনিয়রশিংনি। মসলগা ফজনা তাশিল্লগা, মশা-মউগা তনাপ-তনাপ্পা অদুম লৈবদুদা ঐখোয় ময়াম্না চৎলগা নোংমা হংজরুই, তামোগী হকচাংসি করমহায়না থন্বীবগে হায়না মুদদা তামোসিনা অসুম্না পাউখুন্বীরকখি, ইয়াম্বসি চাক চাবসি অমুক্তা পুক পিকথন্না চাদে। মসি অহললমনশিনা তন্বীরম্বনি। ঐগী চাফম থোকপা খরা চারগা খরা ৱাতক ৱাতক তোকই। মসিনা হকচাং নুংঙাইবসু হেল্লি। চাক-চারুবগী অৱাবা, বোরিং চুথরকপা, তুম্নিংবা ফাওরকপা মদুগুম্বদু কয়া লৈরক্তে। ঐনা ঐগী হকচাংসি কন্ট্রোল অমগী মখাদা থম্বসিগী কান্নবনা ইশাদা অনা অয়েক্কুম্বসিসু পাক লানশিল্লকপা ঙমদে। ঐনা ঙম্না চৎলবনিনা হকচাংসিসু চাং অমদা অদুম লৈজবনি। য়াম্না কা০-হেন্না চাশিনবদগী লাক্কদবা অমাঙবশিংদু ইশানসু মুন্না খঙজবনিনা হেন্না চাশিনবসি ইয়াম্বদি কয়া পাল্লক্তে। তৌবসু তামোসি হৌজিকফাওবা শওং-শাদা ফজবা মীশক অমা ওইরি।

*... মথং মথং ...*



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"। (ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বংলাদেশকী জুনিয়র টিমনা ইংলেন্দগী জুনিয়র টিমবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে

চেলটেনহাম, জুলাই২৯(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়া, বংলাদেশ অমসুং ইংলেন্দগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমনা শরুক য়াদুনা ইংলেন্দদা ট্রাই সেরিজ শান্নবগী মনুং চন্না ঙরাং শান্নখিবা ৱান দে মেচ অমদা বংলাদেশকী জুনিয়র টিমনা য়ুম্বু ইংলেন্দবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দগী চহী ১৯ মখাগী জুনিয়র টিম অদুনা অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৪২ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওপনর বেন চার্লসৱর্থনা রন ৬৮ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ইংলেন্দগী জুরিয়র টিম অদুগী লিৱিস গোল্ডসৱর্দি অমসুং ফিনলেবিননা রন ৩৬/৩৬ লৌখি। লোয়নন্না জেগ হেন্সনা লৌরবা রন ৩৫ অমসুং কেপ্টেন জোর্স হিলদা বোল ৩৩দা রন ৩০ লৌরম্বা শীংথাবা য়াখি। বংলাদেশকী মায়কৈদগী বোল্লর মৃতুনজয় চৌধুরিনা ইংলেন্দগী বেটচমেন্ট ৪ আউট তাহনখিবা অদুনা মখোয়গী বোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজখি।

মায় পাক্লনবা বংলাদেশকী শান্নরোয়শিং অদুনা রন ২৪৩গী টার্গেট অদু ৪৯ শুবা ওভরগী ৩ শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ তুরগা লাম্থোকপা ঙমদুনা মায় পাকখি।

বংলাদেশকী ইনিংস অদুদা ৩শুবা বেটচমেন মহামুদুল হসনজয়না রন ৮১ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ইনিংস ওইখি। মহাকপু য়াম্না চাওনা মতেং পাঙখিবা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটচমেন অদু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা আউট ওইদনা রন ৭৫ লৌরগা লৈখিবা তোহিদ রিদোইনি।

ওপনর প্রবিস হোসেনগী রন ৩২, তনজিৎ হাসনগী রন ২০ অমদি সামিম হসেনগী রন ১০না ইংলেন্দনা থম্লম্বা রন ২৪৩গী টার্গেট অদু লাম্থোক্লগা ৱিকেট ৩ তুরগা ৪৯ শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা রন ২৪৫ লৌরগা মেচ অদু মখোয়না ইংলেন্দবু ৱিকেট ৭তা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈনরিবা পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ মেচ ৪ শান্নবা লোইখিবদা পোইন্ট ৫/৫ ফংলগা লৈরি। অদুগা ইংলেন্দগী টিম মেচ ৪দা পোইন্ট ২ ফংলগা লৈরি।

# বালটিক ওপন দব্লীয়ু টি এ টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লাটভিয়াগী সেবাষ্টোভানা লৌখ্রে

জুরমালা, জুলাই২৯(এজেন্সী)ঃ থা অসিগী ২২দগী হৌরগা ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা অহানবা বালটিক ওপন দব্লীয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু য়ুম্বু লৈবাক ওইখিবা লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভানা টাইটল লৌখ্রে।



লাটভিয়াগী জুরমালা সিটিদা লৈবা নেসনল টেনিস সেন্টরদা থা অসিগী ২২দগী পাঙথোরকপদা বালটিক ওপন দব্লীয়ু টি এ টেসন টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভানা পোলেন্দগী শান্নরোয় কটারজিনা কৱাগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই, অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ শান্নরোয়নি। মহাক্না সেমি ফাইনেলদা রসিয়াগী টুর্নামেন্ট অদুদা ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবী অনাষ্টেসিয়া পোটাপোভাবু ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

নাকল অমরোমদা অনাষ্টেসিয়াগী ফাইনেল লম্বা ওইখিব পোলেন্দগী কটারজিনা কৱানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী শান্নরোয় বর্নারদা পেরাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদু পোলেন্দগী কটারজিনানা ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা সেবাষ্টোভানা ৭-৫তা থোইরগা দিসাইদিং সেটকীদম শেম শান্নখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা সেবাষ্টোভানা কটারজিনাবু ৬-৪দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলস কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ লাটভিয়াগ জেলানা ওষ্টাপেনকো অমসুং কজাস্তানগী জি বোস্কোরিভাবু কনাদাগী এস ফিসমেন অমদি সর্বিয়াগী এন ষ্টোজানোবিসনা ২-৬, ৭-৬ (৭-১), ১০-৬তা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

# পোর্টুগালগী বেনফিকানা ইটালিগী মিলানবু ১-০দা থোইদুনা ইন্টর্নেসনল চেম্পিয়ন্স কপকী লুচিংবা ওইখ্রে



ফোক্সবোরো, জুলাই২৯(এজেন্সী)ঃ য়ুরোপিয়ন অমসুং সেন্ট্রেল অমেরিকাগী ফুটবোল ক্লব ১২না শরুক য়াদুনা পাঙথোরকপা ইন্টর্নেস্নেল চেম্পিয়ন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পোর্টুগালগী বেনফিকানা ইটালিগী ক্লব মিলানবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা য়ু এস এগী ষ্টেট মেসাসুসেটকী সিটি ফোক্সবোরোদা লৈবা জিলেট ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা পোর্টুগালগী বেনফিকানা ইটলিগী মিলানবু থোইখিবনি। পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসি তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৬না য়ুম্বু ওইরগা ফুটবোল মশান্না অসিবু মীয়াম্না হেন্না পাম্ননবা শান্নখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী মাংওইননা বেনফিকা ফুটবোল ক্লব মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনী মায় পাক্তুনা লৈখি। অমরোমদা মিলানগী ফুটবোল ক্লব মেচ ১ শান্নবদা মায়থীদুনা লাকখি।

বেনফিকাগী শান্নরোয়শিংনা মিলানগী মায়কৈদা এটেক চত্থবগী খোঙজেল অদু হৌরকপদা চঙশিনবা ঙমখিদে। মিলানসু মায় পাক্লনবা শান্নরকপা মরম্না অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা টিম অনীমক্ক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপগী পুংখাই ফাজিল্লক্কদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা বেনফিকাগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় টারবটনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মিলানবু মখোয়না মাংজিল থাখি। ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মিলান ০-১দা মায়থীহৌখি।

# হান্নগী ৱর্ল্ড ব্রোঞ্জ মেদলালিষ্ট পুজা ঘন্দিয়াবু ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ত্রায়লদা সরিতা মোরনা মায়থীবা পীখ্রে



লক্ষ্নৌ, জুলাই২৯(এজেন্সী)ঃ উট্টর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্নৌদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সরিতা মোরনা কিলোগ্রাম ৫৩দী কাংলুপ্তুকী ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর হান্না ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী পুজা ধন্দাবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর খন্ননবা পাঙথোকপা ত্রায়ল অদুদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী রেষ্টলর ভিনেস ফোগট অমসুং সাক্সি মালিক মখোয়গী লম্বাশিং অদুগা শান্নখিবা বাউটশিং অদুদা ইৱা ৱাদনা মায়পাক্তুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৩গা কাংলুপ্তা ভিনেস ফোগটনা অতোপ্পা রেষ্টলর অনীগা লম্বা তৌনখিবা মরম্না মহাক্না ফাইনেলদা পিঙ্কিবু পোইন্ট ৯-০দা মায়থীবা পীরগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ভিনেসনা লম্বা তৌখিবা বাউট অদুদা টেকনিকেলগী ওইবা পোইন্ট লৈখিবদবা মরম্না বাউট অদুদা লৈখিবা মিনট ৬ মপুং ওইনা মহাক্কী লম্বা অদুগা মায়োক্নখি।

সাক্সি মালিক্না মহাক্কী কিলোগ্রাম ৬২গী কেটগরিগী ফাইনেলদা অনকিতাবু শুপ্নগী সেকেন্দ ৫৮দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বায়দগী ফজখিবা বাউট অদু কিলোগ্রাম ৫৭কী কাংলুপ্তুনি। কেটগরি অদুদা হান্নগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট পুজা ধন্দাগী বাউট অদুনা ওইখি। বাউট অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ফোর মঞ্জু অমসুং নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবী অন্সু মালিক য়াওখি।

পুজানা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা রানি রানাবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং সেমীফাইনেলদা অন্সু মালিকক্কা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ২-৪দা শোৎখদুনা লৈরম্বদগী বাউট অদুগী অরোইবা মিনটতা ফজবা ঙমখিবদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফাইনেলদা পুজানা সরিতা মোরগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি সরিতা কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংখিবী রেষ্টলর অমনি। মহাক্না পুজা ধন্দাগা লম্বা তৌনরকখিবা অদুদা ফজবা ঙমখিদবদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

# টাইটল ফংননবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা অকনবা লম্বা তৌগদৌরি

বেংকোক, জুলাই২৯(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা থা অসিদা শরুক য়াখিবা মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অনীদা মায় পাকপা ঙমখিদবা অদু ফুগৎননবা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা অকনবা মীৎয়েং থমখ্রে।





নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী হৌখিবা চয়োল অনীদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপীগী শান্নরোয় ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাখ্রবা মতুং মমাঙগী চয়োলদা লোইশিনখিবা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইলেদা মায়থীহৌবা অদুনা চহী অসিগী ওইবা মখা তাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা টাইটল ফংননবা অকনবা মীৎয়েং থল্লিবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দোনেসিয়া ওপনগী ফাইনেল মেচ অদুদা পি ভি সিন্ধুনা জপানগী অকানে য়মাগুচিগী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবনি। মদুগী মতুং জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগ ক্বার্টর ফাইনেলদসু অকানেয়মাগুচিনা মহাকপু থল্লম্বনি।

পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী ইনখৎলক্লিবা করিয়র অসিদা থা ৭ চুপ্পা টাইটল অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরি। থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা পি ভি সিন্ধুনা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি। মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী হান য়ুয়েগা শান্নগনি। চাইনাগী শান্নরোয় অদু মহাক্না জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীরম্বা শান্নরোয় অমনি। করিগুম্বা পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী হৌরকপা রাউন্দশিংদা ফজবা ঙল্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় রাটচানোক ইন্টানোলগা থেংবা য়ারি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোয় ৭ শুবা সিদেদ ওইরিবী সাইনা নেহৱালসু শরুক য়ারি। পনবা য়াই সাইনা নেহৱাল হৌখিবা থা খরা অসিদা অশোকপা লৈখিবদগী ইন্দোনেসিয়া ওপন অমসুং জপান ওপনদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। অদুবু মহাক্না লাক্কদৌরিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী শেম শাবা ওইনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী অহানবা রাউন্দ ক্বালিফাইয়র অমগা থেংনরগনি।